এফ আই ঐচ ৱর্ল্ড কপ

# ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা নিলকান্ত য়াওরে

## পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুরনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): ইন্দিয়ানা য়ূম্লু ওইদুনা ওরিষ্যাগী রুরকেলা অমদি ভুবনেশ্বরদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৩দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ ৱর্ল্ড কপকী ঙসি ইন্দিয়াগী মীওই ১৮না শাবা স্কৱাদ হোক্কী ইন্দিয়ানা লাউথোরকপদা ষ্টেটকী শান্নরোয় শংলাকপম নিলকান্ত য়াওরে।

রেঙ্ক নম্বর ৬ সোসাইটি ইন্দিয়ানা পুল-দিদা ইংলেন্দ, স্পেন অমদি ৱেলসকা পূন্না শরুক য়ারি। হোষ্ট টিমনা স্পেনগা জন্যুৱারী ১৩দা রুরকেলাদা নৌনা শাবা বিরসা মুন্দা হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ওপনিং মেটচতা লন্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়া টিম অসি হর্মনপ্রিট সিংহনা কেপ্টেন ওইদুনা লুচিংলগনি।ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা ক্রিশান বহাদুর পাথক, পি আর শ্রিজেশ; দিফেন্দরদা জর্মনপ্রিট সিংহ, সুরেন্দর কুমার, হর্মনপ্রিট সিংহ (কেপ্টেন), বারুন কুমার, অমিট রোহিদাস (ভাইস কেপ্টেন), নিলম সন্দিপ জেশ; মিদফিল্ডরদা মনপ্রিট সিংহ, হার্দিক সিংহ, শংলাকপম নিলকান্ত, শমশের সিংহ, ভিভেক সাগর প্রসাদ, অকাশদিপ সিংহ; ফোরৱার্দতা মন্দিপ সিংহ, ললিত কুমার উপধয়, অভিশেক অমদি সুখজিৎ সিংহনি। ষ্টেন্দবাই ওইনা রাজকুমার পাল অমদি জুগরাজ সিংহ লাউথোরকপদা য়াওরকখি।

অমরোমদা, ষ্টেটকী শান্নরোয় শংলাকপম নিলকান্তনা ইন্দিয়া টিমগী স্কৱাদ লাউথোরকপদা য়াওরকপা অসিগীদমক পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুর (ফাম)গী মায়কৈদগী হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া টিমনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজাল পীরক্লি।

ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# কে এম এম রাইদিং স্কুলনা লমন সগোল ক্লব মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা ১৮শুবা ৱিমেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এম এম রাইদিং স্কুল শীংজমৈনা লমন সগোল ক্লবপু ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা চক্করগী শান্নবদা গোল ২/২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি। কে এম এম আর এসকী এ ঙৌনুনা চক্কর হৌরকপগী ১.০১দা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। কেপ্টেন টি ঐচ জেথোলিয়ানা শান্নবগী ৬.০৪দা শীংজমৈ টিমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। লমন সগোল ক্লবকী গোল অনী অদুনা কে ঐচ দোনখম অমদি এন ফেলিসিয়ানা শান্নবগী ৪.০৩ অমদি ৬.২৫দা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

অনীশুবা চক্করগী শান্নবদসু টিম অনীগী মায়কৈদা গোল অমমম্ চন্নদুনা ৩-৩দা দ্রো ওইখি। ৱাই অঞ্জলিনা শান্নবগী ৩.৪৫দা লমন ক্লবকী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা কেপ্টেন জেথোলিয়ানা শান্নবগী ৫.০২দা শীংজমৈ টিমগী ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ৩-৩দা অনীশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি। অহুমশুবা অমদি মরিশুবা চক্করগী শান্নবদা কে এম এম রাইদিং স্কুলনা খূদুম চন্না শান্নবগা লোয়ননা গোল ২ হাপচিন্দুনা লমন সগোল ক্লবপু ৫-৩দা মায়থীবা পীখিবনি।

এ ঙৌনুনা অহুমশুবা চক্করগী ৬.৩২দা মহাক্কী অনীশুবা অমদি শীংজমৈ টিমগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা ৱাই রঞ্জিতানা মরিশুবা চক্করগী শান্নবগী ৫.০১দা শীংজমৈ টিমগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। টি ঐচ মোমোচা অমদি এল অতাঙবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ

# এম য়ুনা নুপীগী ফোইল টিমদা গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর২৩(ঐচএনএস): জম্মুগী য়ুনিভর্সিটি ওফ জম্মুদা থা অসিগী ২০দগী হৌদুনা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং (মেন এন্দ ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপ ২০২২-২৩ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং টিমনা গোল্ড ১, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৪ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফোইল টিম ইভেন্টকী ফাইনেলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গুরুনানক দেব য়ুনিভর্সিটিবু পোইন্ট ১৫-৯দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মায় পাকখিবা নুপীগী ফোইল টিম ইভেন্টকী ফেন্সরশিং অদুদি ককচীং খুনৌ কোলেজগী দল্লিয়ু সোনিয়া, কমক্ষ্য পেমটোন কোলেজগী এন মীনা, বিরমঙ্গোল কোলেজগী পি ঐচ অনিতা চনু অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজগী জি প্রিয়ালক্ষ্মীনি।

নুপীগী ইপি টিম ইভেন্টতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌখিবা রোয়ল একাদেমি ওফ লোগীলিস্তোইহাওবম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী চিঙ্খেঙানবী সেরাম, ককচীং খুনৌ কোলেজগী এন পিঙ্কি অমদি ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী কে নোমিতানা ফাইনেলদা গুরুনানক দেব য়ুনিভর্সিটিগী মখূৎতা পোইন্ট ১৪-১৫দা মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

রিজনেল কোলেজগী টি ঐচ সটিশ মৈতৈনা নুপাগী ইপি ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টকী সেমীফাইনেলদা জি এন দি য়ুগী সুভমগী মখূৎতা পোইন্ট ১১-১৫দা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

রিজনেল কোলেজগী টি ঐচ সটিশ মৈতৈ, লিবরেল কোলেজগী থাংজম বিশাল, ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী জি ভিভিয়েকর অমদি কে ভিভেক মৈতৈনা নুপাগী ইপি টিম ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংবা ঙমখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ফেন্সিং টিম অসিগী ওফিসল ওইনা হাওবম যাদবচন্দ্র অমদি ঐচমঙলেম্বা মৈতৈনা নুপাগী মেনেজর অমদি কোচ অদুগা ঐচ লৈমরেম্বী চনু অমদি এস রোশন মৈতৈনা নুপীগী মেনেজর অমদি কোচ ওইনা শরুক য়াখি।

# ও এফ এ পুংদোংবমনা ইপুধৌ পুরৈরোম্বা কপকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): ইষ্টর্ন লায়ন ক্লব নোংঙাদা অমদি ইষ্টর্ন য়ুনিক ক্লব কামেং খুঞ্জাও অনীনা শীন্দুনা চথরকপা অনীশুবা ইপুধৌ পুরৈরোম্বা কপ ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি নোংঙাদা কামেং প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ও এফ এ পুংদোংবমনা য়ু কে এফ সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ও এফ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু তেলহৈবনা ২ অমদি শিতলনা ১ চনখি। য়ু কে এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা একোননা চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা য়াইফবা এফ সী নম্বোল নাওরেমনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফংবা ঙমখি। ৱিন্নর ওইখিবা ও এফ এগী তেলহৈবনা প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট, এন কে এফ সীগী রেনেদিনা বেষ্ট গোলকিপর অমদি য়ু কে এফ সীগী তোম্বনা তোপ স্কোররগী মনা ফংবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, লম্লাইগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচনা থৌরম মপু অমদি ৱাঙ্খেগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইদুনা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

# ষ্টেট বোদি বিল্ডর্স টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা থা অসিগী ২৩দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪শুবা মিষ্টর ইন্দিয়া মেন্স সিনিয়র নেসনল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ১৩না শাবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী শান্নরোয় অমদি ওফিসল টিম শগোলশেন নুমিৎতা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী পঞ্জাবকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা এন রতন (কোচ) অমদি এস দ্রুব (মেনেজর) ওইনা শরুক য়াখি।

শান্নরোয়শিং অদুনা মেন্স বোদি বিল্ডিং কাঙলূপ্তা এল নেতা (কেজি ৫৫), এল নরেশ (কেজি ৬০), লমজিংবা নিংথৌজা (কেজি ৭০), এম রোনাল্ড (কেজি ৭৫), এস সুভাশচন্দ্র (কেজি ৮০), মারাদোনা ক্ষেত্রিময়ুম (কেজি ৯০), মেলসন এন কে (কেজি ১০০); মেন স্পোর্টস ফিজিক কেটেগোরিদা ৱার্শিমি চেসম অমদি মঙাল অরাম্বম; মেন্স এথলেটিক্স ফিজিক অমদি মেন্স ফিটনেস ফিজিক কেটেগোরি অনীদা জোইজিৎ ৱাইখোম অমদি মাইবম রোবর্টনি।

লমথাবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা অম্বাগী মেম্বরশিংনা মায় পাক্লক্নবা মপুগী মফমদা থৌনীজখি।

# পি টি সী সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অনীশুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি সী সী পাৎসোইনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্ষেত্রিগাও টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩২.২দা ওল আউট ওইদুনা রন ৭৩ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পাৎসোই টিমনা ওভর ৯.১দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৭৫ লৌদুনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি।

পাৎসোইগী খুন্দ্রাকপম অঙৌবীনা ৱিমেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট

# ক্লাসিক একাদেমি অমদি পোলোই ক্লব ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীগী প্লে ৭ ফুটবোল টর্ফতা চথুরিবা অনীশুবা কোলোনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্লুনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ) অমদি পোলোই ফুটবোল ক্লব (পি এফ সী) অনীনা থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ১.৩০দা ফাইনেলদা লন্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা পি এফ সীনা নেরাও এফ সীবু ৭-৬তা মায়থীবা পীখি।

পি এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নৱাজনা ৩ অদুগা অফ্রিদি, সাজন, বিক্রমজিৎ অমদি অকাশনা অমমম্ চনখি।

নেরাওগী গোলশিং অদুনা মোংশিনরৈ অমদি রিংশাংমিনা ২/২ অদুগা ৱুংঙানিং অমদি অল্ফা মোয়োননা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা সী এফ এনা এস এস সী পোরোম্পাৎপু ১৬-৫দা মায়থীবা পীখ্রে। ক্লাসিক টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মলাংমৈনা ৮, তোম্বনা ৩, দেটোলনা ২ অদুগা রোহিট, গাইসুমৈ অমদি রেনেদিনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

এস এস সীগী গোলশিং অদুনা ইমটিয়াজ, করিম, রিভাস, ভাস্কর অমদি রিয়ারনা অমমম্ চনখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা পাৎসোইগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# কে সী দি ওনা এম পি এ থোইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে সী দি ও কোংপালনা এম পি এ ককচীংবু রন ১৪৯দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা কোংপাল টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৬.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ২২৩ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী কোংপাল টিমগী বেটিং তৌবদা বেটসমেন বিক্রম ফনদোমনা বোল ৩১দা রন ৩৩, প্রকাশ নান্দৈবমনা বোল ২৫দা রন ৩১ অমদি তারিফ খাননা বোল ১৬তা রন ২৪ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা ককচীংগী বোলর নন্দো চোংথামনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৪ অদুগা ভিশাল দাসনা ওভর ৭.৪ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ককচীংগী বেটসমেনশিংবু কোংপালগী বোলরনা ওভর ২৩.২দা ৱিকেট লোইনা লৌদুনা শুপ্নগী রন ৭৪ লৌরগা কে সী দি ওগী মখূৎতা রন ১৪৯দা মায়থীখি।

লোইশিল্লকপদা কে সী দি ওগী ওল রাউন্দর এম কে অলমনা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৫.২ লংবদা ৱিকেট ৫ অমদি অহানবা ইন্নিংসতা বোল ১৮দা রন ২২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

# এম পি এস সীনা জি দি সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): ট্রুগপু নম্বোলনা শীন্দুনা নম্বোল কোংখামদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা ট্রুগপু ট্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা এম পি এস সীনা জি দি সী থিনুঙ্গৈবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পুলিস টিমগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু খেম বহাদুর অমদি বোইবোইসনানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫২ অমদি ৬৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। জি দি সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রোমেশনা শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা পুলিস টিমগী মহেশ অমদি জি দি সীগী অমিট অনীবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# অবা, বি এস য়ু দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৩(ঐচএনএস): সোসল ৱর্কর কোংগ্রেসনা শীন্দুনা খোংমন অতোম লৈরক্তা লৈবা এস দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চথুরিবা থিঙুজম ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা অবা ক্ষেত্রিগাও অমদি বি এস য়ু কৈরাও গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা এফ এফ সী এ অংথানা এম এম সী মোংখাম লম্বীবু লাকচনা ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।


অংথা টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সী ঐচ শ্রিনিভাসনা ৩ অমদি ৱাই মালেমঙানবনা ২ চনবা ঙমখি।

# ফুটবোলগী খেলো ইন্দিয়া সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর২৩(ঐচএনএস): দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমদি দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস চান্দেলনা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ফুটবোল মশান্নগী ওইবা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ঙসি চান্দেলগী জাফৌ বজার ইন্দোর হোলদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর ময়াংলম্বম রাজকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হাংদোকখ্রে। খোঙথাং অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ‘পাষ্ট চেম্পিয়ন এথলিট’ হায়বা স্কিমগী মখাদা লৈবাক অসিদা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১০০০ হাংদোক্নবগী খোঙথাংগী মনুং চন্না পায়খৎপনি। থৌরমগী মনুং চন্না ২০২২-২৩গী কোচিং প্রোগ্রাম য়াওনবা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ৩০সু খনখি।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7933/4/12-3/02

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 668

Nico Cortlever - Jan-Hein Donner
Beverwijk (8), 1950

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 Nf6 | 4.Bg5 Bb4 |
| 5.e5 h6 | 6.Bd2 Bxc3 | 7.bxc3 Ne4 | 8.Qg4 g6 |
| 9.Bc1 Nxc3 | 10.Bd3 c5 | 11.dxc5 Nc6 | 12.Nf3 Ne4 |
| 13.Bxe4 dxe4 | 14.Qxe4 Qa5+ | 15.Bd2 Qxc5 | 16.O-O b6 |
| 17.Be3 Qd5 | 18.Qf4 Qd8 | 19.Nd2 Kf8 | 20.Rfd1 Qc7 |
| 21.Ne4 Bb7 | 22.Rd6 Ne7 | 23. ... | |

QUESTION :
White to win

Puzzle 667 Ans. :

30. ...Qa1+
Your moves:30...Bxc3
31. Kc2 Nb4+ The black knight deflects White's pawn away from protecting the square d4. Opening the line from b2 to d4. 31. ...Qxb2+ The black queen captures White's pawn, which was defending the square a3. 32. Kd3 Nb4+ The black knight deflects White's pawn away from protecting the square d4. Opening the line from b2 to d4. 33. cxb4 Qd4+
34. Kc2 Qc3+ The black queen attacks White's king, which is defending the square b3. 35. Kb1 Qb3+
36. Kc1 Bb2+ 37. Kb1 Na3#
0-1

HL-B/7893/13/12-12/-1

LOAN AVAILABLE

EMPLOYMENT NEWS
> SEKMAI, MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.

AVIO INTERNATIONAL INSTITUTE
PROFESSIONAL CABIN CREW TRAINING INSTITUTE
• 100% PLACEMENT ASSISTANCE
• GUARANTEE YOUR SUCCESS WITH OUR UNLIMITED SUPPORT
• CUSTOMISED TRAINING
• MOCK INTERVIEW
• PERSONALITY DEVELOPMENT
• SOFT SKILL DEVELOPMENT
• GROOMING ENHANCEMENT
• SWIMMING CLASS
OUR TRAINERS ARE EXPERIENCED FIRST CLASS CABIN CREW. OWNING OVER DECADES OF FLYING EXPERIENCE WITH ICONIC AIRLINES:
• JET AIRWAYS
• GULF AIR
• OMAN AIR
HURRY UP!!! BATCH STARTS ON 5TH JANUARY 2023
TRAINING CENTRE: OMNICRON III,GREATER NOIDA, 201310.
HEAD OFFICE: KWAKEITHEL,THOKCHOM LEIKAI, IMPHAL.
BRANCH OFFICE:
1. BISHNUPUR BAZAAR, NEAR MANIPUR STATE CO-OPERATIVE BANK.
2. SENAPATI BAZAAR, OPPOSITE SENAPATI BUS PARKING.
3. MOIRANG OKSHONGBUNG LEIKAI,NEAR CITIZENS' CLUB MOIRANG.
4. KUMBI, SINGEL LEIKAI, WARD NO. - 4.
BUSINESS HOURS: 10:00A.M - 4:00 P.M (SUNDAY CLOSED)
Email: avio.institute@gmail.com
FOR INQUIRY CALL
7005045375 / 7005180623 / (0120)4558561

HL-P/1068/24/12-5/1
Reg: UDYAM-MN-01-0001766

Regd. No.: KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for & FOUNDATION COURSE for
CLASS -X (BOSEM) CLASS -IX & X (BOSEM)
15th December, 2022 3:30/4:30pm-7:30pm
2nd week of February, 2023 3:30/4:30pm-7:30pm
Our Position Holders of HSLC Exam 2022
1st POSITION 3rd POSITION 8th POSITION 18th POSITION

Laishram Rahul Meneka Huidrom Moirangthem Rex Singh Chingakham Italy Meitei
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826
HL-P/5089/2/12-30/01

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com